**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-10-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি- ভারতকী ইন্সটিট্যুটশিং, এম.এস.এম.ইশিং অমসুং ষ্টার্টঅপশিংগী শক্তিনা ভিক্সিত ভারতকী লন্বী য়াৎকনি।

২) লৈবাক্কী অতে মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু হয়েংদগী রাইট টু ইনফোর্মেসন চয়োল পালন হৌরগনি।

৩) তামিলনাদু, পুদুচেরি অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী বিধান সভা কেন্দ্র মঙা অমদি অসামগী লোক সভা কেন্দ্র অমগী মরক্কী মীখলগী ভোৎ খোন্বা ঙসি লোইশিনখ্রে।

৪) স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপকী পি.এম-সেতু স্কিম ঙসি চহি অমা মপুং ফারে।

অমসুং

৫) আইচি নাগোয়া এসিয়ান গেমস ঙসি লোইশিনখ্রে। ভারতনা সনাগী ২১ য়াওনা পুন্না তকমান ৮৫ ফংদুনা মরিসুবা মফমদা লৈরে।

**------**

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি- ভারতকী ইন্সটিট্যুটশিং, এম.এস.এম.ইশিং অমসুং ষ্টার্টঅপশিংগী শক্তিনা ভিক্সিত ভারতকী লন্বী য়াৎকনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ইন্সটিট্যুট ওফ কম্পনি সেক্রেতরিস ওফ ইন্দিয়াগী ৫৮ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়- শেল থাদবা মীওহশিংগী থাজবা মপুং ফানা ফংদনা জাতি অসিনা কৈদৌঙৈদসু চাওখৎপা ঙমলোই। ভারত অসি মালেমগী শেল থুমগী লমদা খোঙজেল য়াংনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমা ওইবগা লোয়ননা টেকোলোজিগী লমদসু লেপ্তনা চাওখৎলক্লি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

কম্মিসন (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংবদা চয়োল অমা চুপা পাঙথোক্কদৌরিবা রাইট টু ইনফোর্মেসন ৱিক পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিদসু মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না শিন্দুনা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১২ ফাওবা রাইট টু ইনফোর্মেসন চয়োল পালন পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি- আর.টি.আই এক্টকী মতাংদা মীয়াম্না নিংথিনা ভাব তাহন্নবা হোৎনবনি। শেঞ্জা থুমজা লৈতবা, তশেং তশেংবা লৈঙাক সাসন অমা লৈহন্নবা সরকারগী রেকোর্দশিংবু মীয়ামদা খঙহনবগী শক্তি পীরিবা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট অসি ২০০5 দা হৌদোকখিবনি।

চয়োল পালন অসি হৌদোকপগী থৌরম হয়েং অয়ুক পুং ১০ দা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়ম হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি (এ.আর-ত্রান্সপোর্ট) আর.কে. দিনেশ সিংহ, ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিসনার নুংশিতোম্বী অথোকপম অমসুং ষ্টেট চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিসনার কোইজম রাধাশ্যাম সিংহ শরুক য়াগনি।

সংকল্প (এল)ঃ সেবা সংকল্প অভিয়ান ২০২৬ কী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত কাংপোকপী অমসুং সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা শিন্দুনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু ঙাকপী শেনবীবা হায়বসিদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কাংপোকপী জিলাগী ফুনাল মরিং কম্যুনিতি হোল আইলেন্দ সব-দিভিজনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পীক্লিবা অঙাংশিংবী ঙাকপী শেনবীবা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা হিরমশিং, অঙাং ওইনা

লুহোংবা, অঙাংশিংবু থবক শুহনবা অমসুং অঙাং লল্লোনবনচিংবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ থৌবাল কম্মান্দোগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱান পুলৈপোকপীদগী মীওই অমা হিরোইন পাউদরনি চিংনবা পোৎলমগা কোন্ননা ফারে।

ৱাকৎ (এল)ঃ সেন্সস অমদি এন.আর.সিগা মরী লৈননা জে.এফ.দিনা চংশিল্লিবা খোঙজংবু শৌগৎতুনা ঙসি য়ুনাইতেদ পিপলস মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফাল জিলাগী খুরাই লমলোং বজারদা লৈবা ইপা পুথিবা শঙলেনদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

চাংদমবা (এল)ঃ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না ইং ২০১১ দগী হৌদুনা মহেরোইশিংদা অহেনবা ৱাখল লৌশিং পীনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা ১২ শুবা সুক ষ্টেট লেবেল স্পেল্লিং কম্পিতিসন ঙসি তোঙান তোঙানবা সেন্তরশিংদা পাঙথোকখ্রে। ইম্ফালগী ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিল, ককচিং অমদি থৌবালগী ওইনা স্লোপলেন্দ পাব্লিক স্কুল অমসুং বিষ্ণুপুরগী ওইনা নিংথৌখোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা অহানবা প্রিলিমিনরি রাউন্দদা মহেরোই লিশিং ৩ হেনবনা শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ককচিং পুলিসনা শিন্দুনা দাউন রন ককচিং মরাথোন অমা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখ্রে। ককচিংগী এস.পি. ওফিস মমাংদগী লমথাখিবা মরাথোন অদু কেটাগোরি অনি থোকা পাঙথোকখি অমসুং মীওই লিশিং ১,৭০০ লোমনা শরুক য়াখি।

ফয়ার (এল)ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ৯ শুবা বেসিক ফয়ার এন্দ লাইফ সেফতি ত্রেনিং প্রোগ্রাম হয়েং ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দ মনাক্তা লৈবা মণিপ্র ফয়ার সার্ভিস হেদক্বাটরসতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বা রাজকুমার সিংহ, মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দিরেক্তর লাইশ্রম নবাচন্দ্র শরুক য়াগনি।

মীখল ঃ তামিলনাদু, পুদুচেরি অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী বিধান সভা কেন্দ্র মঙা অমদি অসামগী লোক সভা কেন্দ্র অমগী মরক্কী মীখলগী ভোৎ খোন্বা ঙসি লোইশিনখ্রে। সিটশিং অসিগী ভোৎ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থাদনগনি। অদুগা ভোৎ মশিংনা ইরাই নুমিৎতা থিগনি।

মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্রশিং অদুদি- তামিলনাদুগী মদুরানতাকম অমসুং ধারাপুরম, পুদুচেরিগী থতানচাবাদি অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী রেজিনগর অমসুং নন্দিগ্রামনি। অসামগী লোক সভা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা কেন্দনা নাগাউননি।

সিটশিং অসিদা কাখিবা মীওইশিংনা ফম থাদোকখিবদগী মসি হাংদুনা লাকপনি।

বিজেপি ঃ উত্তরাখন্দগী লাক্লিবা রাজ্য সভাগী মীখলগীদমক বি.জে.পিনা দিনেশ আরিয়াবু দলগী মীরেপ ওইনা থাগৎলগনি। অদুগা নোংচুপ বেঙ্গলগী রাজ্য সভাগী মরক্কী মীখলদা রুকমিনি মালিকনা দল অসিগী মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশ, উত্তরাখন্দ অমসুং নোংচুপ বঙ্গলা রাজ্য সভা সিটশিংগী মীখলগী ভোৎ থা অসিগী ১৬ তা থাদনগদবনি। মসিদা উত্তর প্রদেশকী সিট ১০, উত্তরাখন্দগী সিট ১ অমসুং নোংচুপ বঙ্গলাগী মরক্কী মীখলগী সিট ১ য়াওরি।

রোড ঃ এন.সি.আর অমসুং মসিগা লোন্নবা মফমশিংদা কম্মিসন ফোর এয়ার ক্বালিতি মেনেজমেন্টনা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চথদুনা দিল্লি সহরগী লম্বীদা উফুল

থাংলিবা অমসুং লম্বী শেংদোকপগী থবক নিংথিনা চৎথরিব্রা হায়বদু য়েংশিনখ্রে।

ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রালয়না হায়-কম্মিসন অসিনা ফ্লায়িং স্কৱাদ মরি থাদুনা ঙরাং য়েংশিনবগী থবক অদু চথখিবনি। ফ্লায়িং স্কৱাদ টিমশিং অদুনা ইন্নর অমসুং আউটর রিং রোডকী কিলোমিতর ৩৫ রোম শাংবা লম্বী ২৫ গী ফিভম য়েংশিনখি। কম্মিসন অসিনা পি.দব্লিউ.দি দিল্লি অমসুং অতৈ মরী লৈনবা এজেন্সিশিংদা লম্বী উফুল থাংবা থোকহন্দনবা থবক অথুবা মতমদা পায়খৎনবা পাউতাক পীখি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- মালেমগী শান্তি অমসুং শুরক্সা, সপ্লাই চেন নিংথিনা লৈহনবা অমসুং কন্নেক্তিভিতি হায়বসি ইম্মরজিং এন্দ মিদল পৱারস (ই.এম.পি)গী মরুওইবা এজেন্দাশিংনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ৬২ শুবা ম্যুনিক সেক্যুরিতি কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- মালেমগী খা অমসুং অৱাং থংবা শরুক্কী ইম্মরজিং এন্দ মিদ্দল পৱারশিংগী অমত্তা ওইবা পান্দম লৈজে। মহাকা হায়- পোৎ চৈ শাবা, সেমি কন্দক্তরশিং, এ.আই অমসুং স্পেসকী লমদা তৌবা ঙম্বা শক্তি উৎপনচিংবগী লমদা ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন্না তেংবাং পীনবা হেনগৎহনবা য়াই। মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী ষ্টার্টঅপ কয়ানা মপান লমদগী মখোয়গী মপাংশিংগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নদুনা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং মীরমদা থাদোকপগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি।

আইএএফ ঃ ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী মকোক এয়ার চীফ মার্সেল এ.পি. সিংহনা ঙসি নিউ দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা সেখোন ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স মরাথোনগী অনিসুবা ইদিসন লমথাখ্রে। মরাথোন অসি ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী পরমবির চক্র ফংখ্রবা ফ্লায়িং ওফিসার নিরমালজিৎ সিংহ সেখোনবু নিংশিংবা ওইনা শিনবনি। মরাথোন অদু তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি অহুম- কিলোমিতর ২১, কিলোমিতর ১০ অমসুং কিলোমিতর ৫ গী ওইনা পাঙথোকখি। মসিগী ৱিন্নরশিংদা শেল ওইনা লুপা লাখ অমা ফাওবা পীগনি।

ত্রিপুরা ঃ কেন্দ্র সরকারগী মাই ভারত ইনিসিয়েতিভকী মখাদা ত্রিপুরাদা রাজ্য থাক্কী নসা মুক্তা য়ুবা পদ-য়াত্রা ঙসি রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি তিনকু রোইনা কাইলাসহরদা হৌনবী মতুংইন্না লমথাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথিনা ভাব তাহন্নবগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী থৌওং থিংনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ত্রিপুরাগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা দি-এদিক্সন হোস্পিতালশিং লিংখৎলে।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামা ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী মায়োক্তা লৈনবা ৱাশক লৌখি।

অরুনাচল ঃ অরুনাচল প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দুনা রাজ্য অদুদা কোফি থাবগী চাং হেনগৎহন্দুনা মসি থারিবা মীওইশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা হায়রি।

কোফি বোর্দ ওফ ইন্দিয়া অমসুং রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা পুন্না শিনবা হিলস টু কপ হায়না মীংথোনবা কোফি ৱার্কসোপতা ৱা ঙাংবদা শ্রী খন্দুনা হায়- অরুনাচল প্রদেশতা কোফি অসি হৌখিবা চহি ৫০ রোমদগী থাদুনা লাক্লি। মসিগী কান্নবদি মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রি। মহাকা হায়- রাজ্য অদুদা লম হেক্তর ৬০০ লোমদা কোফি থারি অমসুং মসিদা টেকিকেলগী ওইবা তেংবাং পীবগা লোয়ননা পোখোক্কী মগুন হেনগৎহন্নবা থৌশিল থৌরাং কয়া পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। ৱার্কসোপ অসিদগী ফংবা ৱাফমশিং সরকারনা লৌশিনগনি অমসুং কোফি থারিবশিংদা মতেং পীগনি।

সেতু ঃ প্রধান মন্ত্রি স্কিল্লিং এন্দ ইমপ্লোয়েবিলিতি ট্রান্সফোর্মেসন থ্রু অপগ্রেদেদ আই.টি.আইস (পি.এম-সেতু) ঙসি চহি অমা মপুং ফারে। স্কিল দিভেলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রালয়গী পি.এম-সেতু স্কিম অসি মমাং চহিগী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা হৌদোকখিবনি। মসিগী পান্দমদি- উদ্যোগনা লমজিংবা লৈঙাক সাসনগী থৌওং হেন্না ফগৎহনবা, ট্রেনিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা অমসুং দরকার লৈরকপগী মতুংইন্না চথুরকপা কোর্সশিং হেনগৎহনবনি।

অদালট ঃ কেন্দ্রগী পার্সোনেল, পাবিক গ্রিভান্সেস অমসুং পেন্সনগী মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা সভাপতি ওইদুনা নিউ দিল্লিদা হয়েং ১৭ শুবা পেন্সন অদালট পাঙথোক্কনি।

পার্সোনেল, পাব্লি গ্রিভান্সেস অমসুং পেন্সনস মন্ত্রালয়না সুপর সেনিয়র পেন্সন্নর অমসুং ফেমিলি পেন্সন্নর ৮৯৭ কী মতম শাংনা পনদুনা লৈরক্লবা খুদোংচাদবশিং অদালট অসিদা কোকহন্নবা হোৎনগনি। মন্ত্রালয়না হায়- ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা চহি অসিগী মে ১৩ দা পাঙথোকখিবা ১৬ শুবা পেন্সন অদালটকী মায় পাকপগী ৱারীশিং য়াওবা চেরোলসু পুথোক্কনি। ফেমিলি পেন্সন্নরশিংগা মরী লৈনবা তোইনা হংগনবা ৱাহংশিং য়াওবা বুকলেট অমসু থৌরম অদুদা পুথোক্কনি।

চিন্তন ঃ রোড, ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রালয়না শিন্দুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা চিন্তন সিবির অমা হয়েং গুজরাত্তা পাঙথোক্কনি। মসিদা কেন্দ্র, রাজ্যশিং অমসুং ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংগী মকোক থোংবা মীহুৎশিংনা লৈবাক অসিগী হাইৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহনবগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং খন্নগনি।

মন্ত্রালয়না হায়- মীফম অসিদা হাইৱে শেমগৎপদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি হাইৱেগী ফিভম ফগৎহন্দুনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা থৌশিল শেমবগী মতাংদসু খন্নগনি।

সুরিয়াকান্ট ঃ ভারতকী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস সুরিয়াকান্টনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ উজবেকিস্তানগী চেয়ারপার্সন রোবাখোন মখমুদাভাগা লৈবাক অনিনা আইনগী লমদা তেংবাং পীননবগী মতাংদা ৱা খন্নখ্রে। জ্দিসিয়েল সিষ্টেমদা এ.আই অমসুং দিজিতেল টেকোলোজি নিংথিনা শিজিন্ননবগী মতাংদসু মখোয়না খন্নখি।

গর্গ ঃ কেন্দ্রগী ষ্টেটিষ্টিক্স অমসুং প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসনগী সেক্রেতরি সৌরব গর্গনা হায়রি- মালেমগী তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগী মতুংইন্না ভারতকী শেল থুমগী লমদা ফিভম ফগৎলক্লিবা অসিনা গ্রোথকী চাংসু হেনগৎলে।

নিউ দিল্লিদা কৌতিল্যা ইকোনোমিক কনক্লেভ য়াওবা লাকপদা শ্রী গর্গনা হায়- শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী অহানবগী থা অহুমদা লৈবাক অসিগী গ্রোথকী চাং চাদা ৭.৮ য়ৌদুনা ভারতকী শেল থুমগী ফিভম নিংথিনা ফগৎলক্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

গেমস ঃ এসিয়ান গেমস ২০২৬ ঙসি জপানগী নাগোয়াদা লৈবা নাগোয়া সিতি মিজ্‌হো পার্ক এথলেতিক ষ্টেদিয়মদা লোইশিনখ্রে। তোঙান তোঙানবা মশান্না ৪৩ দা চয়োল অনি চগ্খরকখিবা গেমস অসিদা ভারতনা সনাগী ২১, লুপাগী ২৭ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩৭ পুন্না তকমান ৮৫ ফংদুনা মরিসুবা মফমদা লৈখি।

চাইনানা সনাগী ১৬৯, লুপাগী ৮৯, শেঞ্জেং ৮৩ পুন্না তকমান ৩৪১ ফংদুনা অহানবা, জপান্না সনাগী ৮৩, লুপাগী ৯৫, শেঞ্জেংগী ৯১ পুন্না তকমান ২৬৯ ফংদুনা অনিসুবা অমসুং সাউথ কোরিয়ানা সনাগী ৩৯, লুপাগী ৪৩, শেঞ্জেংগী ৬৮ পুন্না তকমান ১৫০ ফংদুনা অহুমসুবা মফমদা লৈখি।

ইং ২০৩০ দা কটারগী দোহা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী এসিয়ান গেমসকীদমক সেরেমোনিয়েল টোর্চ অমসুং ফ্লেগসসু কটারগী মীহুৎশিংদা খুৎশিন্নখি।

ফুটবোল ঃ মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং মাও ফুটবোল এসোসিয়েসন্না পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা মাও মারটিয়রস ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সোংসোং এফ.সিনা তোবুমাই এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। অনিসুবা সেমি ফাইনেলদনা পুদুনামৈনা চৌৱাইনু এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

------